# কোরোনাভাইরস–ইন্দিয়ানা থুনা লোকদাউনশিং তৌখি, হোটস্পোটশিংদগী মদু হেন্দোকহনখিদেঃ হু এনভোয়



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ০২(এজেন্সি)ঃ*
কোরোনাভাইরস ৱাথোক লাকশিনবদা তপথবনা করি থোকপগে হায়বগী খুদমশিং অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইটালিনি হায়না ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসনগী স্পিসিয়েল কোভিদ–১৯ এনভোয়না ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা নেসনৱাইদ লোকদাউন অমা খোঙলৈ থুনা চত্থনবগী ইন্দিয়াগী খোঙথাং থাগৎলদুনা ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না পাউখুম পীবা থুরিবমখৈ ঐখোয়না মসি হেন্না লাক্সিনবা ঙম্বা লায়না অমনি হায়না এন দি টিভিদা পীবা এক্সক্লুসিব ইন্টরভ্যু অমদা ডো. দেবিদ নাবারোনা হায়খি।

হৌখিবা মতমদা থৌদোক কয়াগী মতাংদসু ইন্দিয়ানা খুদম পীদুনা লুচিংখি। পাঞ্চায়ট থাক ফাওবা য়ৌনা তোঙান–তোঙানবা কম্যুনিটিশিংদা পাকশন্না পাউজেল অদু ফংহন্নবা ইনফোর্মেসন নেটৱার্ক অদু য়াম্না অচেৎপা ওইখি। করি তৌবা তাবগে হায়বগী মতাংদা অমিতাব বচ্চননা ফাওবা তৌখিবা এদভর্টিজমেন্টশিং অদু ঐহাক্না উখি। ইন্দিয়ানা খোঙলৈ থুনা চংখি হায়না ডো. নাবারোনা হায়খি।

হৌজিক চত্থরিবা নুমিৎ ২১নিগী লোকদাউন অসিনা মতিকচারৱা অমসুং মসি মখা অমকু শাংদোকখিগদ্রা হায়বা ৱাহং অমগী মতাংদা ডো. নাবারোনা হায়খিঃ কোভিদ–১৯গী হোটস্পোটশিংগী দাটাগী য়ুমফমদা গভর্ণমেন্টনা মদু লেপ্পা য়াই। অতোপ্পা মফমশিংদা লোকদাউন অদু কোমথোকহন্নবা অমসুং হোটস্পোটশিং অদুদনা মখা চত্থনবা ৱারেপ অমা লৌবা য়াই।

অমুক হন্না লোকদাউন তৌবা অসি অৱাবা চৈনা অমনি। অদুবু ভাইরস অদু লাক্সিন্নবগীদমক ফগদবা অদু গভর্ণমেন্টনা শোয়দনমক তৌবা তাবনি। থুনা–য়াঙনা থবক পায়খৎপা য়াম্না মরু ওই।

ভাইরসকী চাং অদু লোৎশিল্লি হায়বগীদমক চিনাবু য়ানদবা কয়া লৈ। চিনাবু শৌগৎলি হায়দুনা ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসনগী মায়োক্তা মরানশিং শীরি।

ভাইরস অদুগী হৌরকফমগী মরী লৈনবা ই–পাউদা অহোবশিং লৈরিবদুগী মতাংদা ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসননা ৱাহং হংখিদে হায়বনচিংবা লৈ। মসিদা ডো. নাবারোনা হায়খিঃ হৌজিক মদুগী মতম অদু নৎতে।

ভাইরস অদু মতৌ করম্না হৌরকখিবগে হায়বগী য়াম্না মরিক চুম্বা মওংদা ঐখোয়না য়েংশিন্না লেপকদবা মতম অমা লাকখিগনি অমসুং একাউন্টেবিলিটি লেপকনি। হৌজিক মদুগী মতমদু নৎতে। ঐহাক্না মফম অসি মালেমগী লুচিংবা পূন্নমক্তসু হায়বা পাম্মি।

মতম অসি ঐখোয় পূন্নমক্না মরান শীনবা তোক্তুনা উবা ঙমদবা য়েক্নবা অসি থেংনবদা মতেং পাংগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা কোভিদ–১৯ নাবা ২,০০০ রোম রেজিষ্টার তৌখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ৫০ শিখ্রে। মসি মীওই লাক্ষ ২ অমসুং লাক্ষ ১ হেন্না নাদুনা মথংশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইটালিদগী মালেমগী খ্বাইদগী মকোক থংবা মফম ২ লৌরিবা লৈবাক অনী অসিদগীদি য়াম্না হম্বরবনি।

# মেদিকেল তেংবাং পুবা রসিয়ান প্লেন য়ু এসতা তাখ্রে



*ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল, ০১(এজেন্সি)ঃ*
কোরোনাভাইরস পান্দেমিকক্কী মতম অসিদা ক্রেমলিননা মিনুংশি চাওবগী শক্তি উৎতুনা মেদিকেল সপ্লাইজ পুরকপা রসিয়াগী মিলিটরি প্লেন অমা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থুংলরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈবা রসিয়ান মিসননা হায়খি।

আমেরিকাগী কোরোনাভাইরস লাইচৎকী ইপিসেন্টর অদু ওইরিবা ন্যু য়োর্কতা লৈবা জে এফ কে এয়ারপোর্টতা এন্টোনোব –১২৪ অদু তারকখি।

মিসন অদুগী ত্বিটর পেজদা থাগৎলকখিবা পিকচরশিং অমসুং ভিদিওনা মদু উৎখি। মেদিকেল মাস্কশিং অমসুং মেদিকেল ইক্যুপমেন্ট হাপ্পা প্লেন অদু ঙরাং নুমিদাং য়ু এসকীদমক খোঙশানখ্রে হায়না অতে অকুপা ৱারোল পীদনা রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হান্না মমাঙদা লাওথোকখ্রবনি।

য়ুমশকৈশগী অয়ুক অঙনবদা মোস্কো মনাক্তা মিলিটরি এয়ারবেজ অমদগী পাইখৎনবা থৌরাং তৌবা বোক্সশিং পিকথন্না হাপ্পা কার্গো প্লেন অদু মিনিষ্ট্রি অদুনা থাদোকখিবা ভিদিও অদুনা উৎখি।

ঐখোয়না কোভিদ–১৯ মায়থিবা পীনবা পুন্না থবক তৌবা তাই। মসিগী মরম অসিদগী য়ু এসনা রসিয়াদগী খুদক্তা মথৌ তারবা পার্সোনেল প্রোটেক্টিব ইক্যুপমেন্ট লৈনবা য়াখিবনি হায়না ঙরাং য়ুমশকৈশগী নুমিদাংৱাইরমদা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা ত্বিট তৌখি।

ভেন্টিলেটরশিংসু য়াওবা মেদিকেল সপ্লাইশিং অদু ন্যু য়োর্কতা য়ু এস ফেদরেল ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সি (এফ ই এম এ)দা পীখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোইনুপী মোরগান ওরতাগসনা হায়খি।

রসিয়ান প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা মহাক্কা ফম্মান্নবা য়ু এসকী দোনাল্ড ট্রম্পকা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ৱারী শানখ্রবগী মতুং পোৎলমশিং অদু য়ু এসতা পীখিবনি। পোৎলমশিং অদুগী অতৈ মখা তাবা ই–পাউশিং রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা এ এফ পিদা পীয়ু য়াখিদে।

রসিয়ানা হান্নসু মীওইবগী তেংবাংবগী শরুক অমা ওইনা কোরোনাভাইরসনা খ্বাইদগী থীনা শোক্লবা ইটালিদা মেদিকেল সপ্লাই অমসুং এক্সপার্টশিং থাখ্রে।

ইটালিগীদমক পীখিবা মতেং অদুদা এবোলা অমসুং শ্বাইন ফিবর থেংনবগী হৈশিংবা লৈরবা ভাইরস স্পেসেলিষ্ট ১০০রোম য়াওখি হায়না মোস্কোনা হায়খি। অদুবু মতেং অদুনা ভাইরস অদুগী মায়োক্তা থেংনবদা থোইনা কান্নদে হায়না ইটালিয়ান মেদিয়ানা হায়খি।

মার্চ থাদা ইরান অমসুং নোর্থ কোরিয়াসু য়াওনা হান্নগী সোভিয়েৎ ষ্টেটশিং অমসুং অতৈ লৈবাকশিংদা কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌনবগী কিট ১,০০০ রোমে থাখ্রে।

জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিনা পীবা মশীং অমগী মতুং ইন্না হৌজিক য়ু এসতা কোরোনাভাইরসনা চপ চানা নারে খঙলবা অনাবা ২,১৫,০০০ হেন্না লৈরে মসি অতোপ্পা লৈবাক অতৈদগী য়াম্না হেন্না মশীং হেল্লবনি। অদুগা লাইচৎ অসিদগী শিবসু ৫,১০০ হেনখ্রে।

রসিয়াদা হেল্‌ঠ ওফিসিয়েলশিংনা কোরোনাভাইরসনা মীওই ২,৩৩৭ নারে অমসুং মীওই ১৭ শিরে হায়না ফোঙদোকখ্রে। মশীং অসি ঙরাং য়ুমশকৈশাগী খ্বাইদগী নৌবা মশীংনি।

# প্রাইম মিনিষ্টরনা ষ্টেটশিংদা লোকদাউন মতুংদা মীয়াম নিংথিজনা চৎহন্নবগী থৌরাং মথৌ তাবদু খঙহনখ্রে



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ০২(এজেন্সি)ঃ*
সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংনা নেসনেল লোকদাউন লোইরবা তুংদা মীয়াম নিংথিজনা চৎহন্নবগী পূন্নমক্না শিজিন্নবা য়ানবা থৌরাং অমা শোয়দনমক তৌগদবনি হায়না ঐখোয়গী পুন্সিগী লম্বীদা কিহল্লিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকপা কোরোনাভাইরসকী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরশিংগা ভিদিও কনফরেন্স অমদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে।

লোকদাউন অসি হেক লোইখিবগা থোক্লরক্কদৌরিবা মীয়াম্না অদু নিংথিজনা শীন্নবা অপুনবা থৌরাং অমা য়াৎথোকহৌবগী মরুওইবা লৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা চেৎনা পনখি। অসিগুম্বা লাল্লোং অমা য়াৎনবা ষ্টেটশিংগী ৱাফমশিং থারক্কবা মহাক্না মখোয়দা খঙহনখি।

ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ভিদিও কনফরেন্স অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱারী শান্নখিবা অদুগী মরিকচুম্বা ৱারোল পীবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না লোকদাউন অদুগী মতুংদা থবক থৌওংশিং অসি মহৌশাগুম ওইরোই অমসুং সেফগার্দ কয়ামরুম লৌখৎহৌবা তাবনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

ষ্টেটশিংনা সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং য়াম্না চেৎনা পাংথোক্লবা মখোয়দা আপিল তৌরদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা ষ্টেটশিংনা শোয়দনমক লোকদাউনবু হকচিন্না পাংথোক্কদবনি হায়খি।

লানগী খোঙথাংদা থবক তৌনবা ভাইরস হোটস্পোটশিং মশক খঙনবা অমসুং ইনফেক্সন লাক্সিনবা মখোয়দুবু লিইনা কোয়শিন্দুনা থন্নবা ষ্টেটশিংদা খঙহনখি।

মথং চয়োল খরসিগীদমক খ্বাইদগী পুক্লিং চঙ্গদৌরিবসি টেষ্টিং, ট্রেসিং, আইসোলেসন অমসুং ক্বারেন্টিননি হায়না ষ্টেটশিংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা কন্দক তৌখিবা মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর ৯ শরুক য়াখি।

প্রাইম মিনিষ্টর, অমিত শাহ অমসুং অতৈ মিনিষ্টরশিংনা অচৌবা হোল অমগী মনুংদা অমনা অমদগী য়াম্না লাপ্পনা ফমখি।

চীফ মিনিষ্টর খরগী মতুং ইন্না ভাইরস অসি থেংননবা অহেনবা ফন্দগীদমক মখোয়গী হায়জবা অদুদা পাউখুম পীরকখিদে হায়রি।


প্রাইম মিনিষ্টরনা মার্চ ২৪দা নুমিৎ ২১নিগী টোটেল নেসনেল লোকদাউন অমা ওর্দর তৌখি অমসুং মালেমগী মফম পূন্নমক্তা মীওই মিল্লিয়ন ১ রোম নাহনখ্রবা য়াম্না লৌনগনবা লায়না অসিগী শন্দোকপগী পরিং অদু থুগাইনবা মসি মথৌতাই হায়খি।

ভিদিও কনফরেন্স অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং অতৈ লুচিংবশিং অদুনা চাওরাক্না কোরোনাভাইরসনা মীওই ৫০০ রোম নাহনখিবা দিল্লিগী নিজামউদ্দিনদা পাংথোকখিবা ইস্লামিক সেক্টকী মীফম অমদা শরুক য়াখিবা মীওই চা কয়ানা শন্নখিবা মীওইশিং খোঙ্গুল লিনবগী মতাংসু খন্নখি।

# দেনিয়েল পর্ল হাৎপগী শিবগী চৈরাক পীখ্রবা মীওই পাকিষ্টান কোর্টনা জেলদা চহী ৭ লৈনবগী চৈরাক্তা হন্থহনখ্রে

*ইস্লামাবাদ, এপ্রিল, ০২(এজেন্সি)ঃ*
আমেরিকাগী জর্নেলিষ্ট দেনিয়েল পর্লবু ২০০২দা হাৎখিবগী মতাংদা কনভিক্সন পীখ্রবা বৃটেনদা পোকপা মিলিটেন্ট অহমেদ ওমর সায়ীদ শৈখকীদমক পীখিবা শিবগী চৈরাক অদু ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা পাকিষ্টানগী কোর্ট অমনা মথক–মখা ওন্থোকখ্রে।

শৈখকী দিফেন্স উকিল খৱাজা নবীদনা মহাক্কী মীওই অদুগী চৈরাক অদু জেলদা চহী ৭ লৈবদা ওইনা হন্থহল্লকখ্রে হায়খি। শৈখনা ২০০২দগী হৌনা জেলদা লৈরকখিবা মরম্না মহাক থদোকফম থোক্লবনি, অদুবু মদুগী ওর্দর অদু কোর্ট অদুনা হৌজিক ফাওবা থোক্ত্রি হায়না উকিল অদুনা হায়খি।



মশাগী চহী ৩৮ শুরবা দেনিয়েল পর্লনা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী ৱারী অমা রিছার্স তৌরিঙৈ ২০০২দা কারাচিদা মহাকপু ফাখিবা অমসুং মঙক ককথৎখিবা মতম অদুদা দ ৱাল ষ্ট্রীট জর্নেলগী সাউথ এসিয়া ব্যুরো চীফ ওইখি। মহাক মঙক ককপা উৎপা গ্রাফিক ভিদিও অমা থা ১ রোমগী মতুংদা সিটি অসিদা লৈবা য়ু এস কোন্সুলেটতা পীরকখি। শৈখপু ২০০২দা ফাখি অমসুং এন্টি–টেরর কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীনবগী রাই তাখি। অতোপ্পা একুজ ৩না পূন্সি চুপ্পগী জেলগী চৈরাক ফংখি।

মহাক শিখিবগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থরবা মতুং জর্জটাউন য়ুনিভর্সিটিদা পর্ল প্রোজেক্টনা ২০১১গী জনুৱারিদা পর্ল হাৎখিবা অদুগীদমক ওন্ন–তৈনবা মীওইশিংবু কনভিকসন পীরে হায়দুনা অঙকপা ৱাফমশিং য়াওবা রিপোর্ট অমা ফোঙখি।

রিপোর্টর অদু সেপ্টেম্বর ১১, ২০০১ এটেকশিংগী মাষ্টরমাইন্দনি হায়রিবা খালিদ শৈখ মোহমদনা হাৎখিবনি, অহমেদ ওমর শৈখনা নৎতে হায়না পর্লগী মরুপ অমসুং হান্নগী ৱাল ষ্ট্রীট জর্নেলদা থবক তৌমিন্নরম্বা অশ্রা নোমানি অমসুং জর্জটাউন য়ুনিভর্সিটি প্রোফেসার অমনা লুচিংখিবা ইনভেষ্টিগেসন অদুনা ফোঙদোক্লককখি।

কে এস এম হায়না হেন্না খঙনবা খালিদ শৈখ মোহমদ ২০০৩দা পাকিষ্টানদা ফাখি অমসুং হৌজিক য়ু এসতা গুৱান্টানামো বেদা ফাদুনা থল্লি।

কে এস এমবু উন্নখিবা য়ু এস সাইকোলোজিষ্ট অমনা বন্দি অদুনা মঙোন্দা দেনেল পর্লবু মহাক্না মঙক ককখিবনি ফোঙদোকখি হায়খি।

# কোভিদ–১৯দা ন্যু য়োর্কর ১৬,০০০ শিরবা য়াইঃ গভর্ণর

*ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল, ০২(এজেন্সি)ঃ*
ন্যু য়োর্ক গভর্ণর এন্দ্রিয়ু কৌমোনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী গভর্ণরশিংদা ভাইরস পান্দেমিক অসিনা মাগী লম্বী পরিংদা চত্থরকপদা লাইচৎ অসিনা মীওই ১৬,০০০ লোম হাৎলবা য়ারিবা ন্যু য়োর্কতা ওইরিবা ফিভমশিং অসি মখোয়গী সিটিশিংনসু ময়োক্নরকপা য়াই হায়বা চেকশিন ৱারোল পীরদুনা মীহাৎপা কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা অথুবা থবক লৌখৎনবা মাগী লেংমান্নবা গভর্ণরশিংদা আপিল তৌখ্রে।

মালেম পাকশন্না শন্দোকপা লাইচৎ অসিগী মতাংদা নুমিৎ খুদিংগী মহাক্না প্রেসতা পীবা পাউদমদা গভর্ণর এন্দ্রিয়ু কৌমোনা গেটস ফাউন্দেসননা শেন পুথোক্তুনা গ্রুপ অমনা পীবা শিবা য়াবগী মশীং অদু পনখি।

গ্রুপ অদুনা পীরিবা মশীংশিং অদুগী মতুং ইন্না লাইচৎ অসি লোইশিল্লকপা মতম অদু ফাওবদা আমেরিকান ৯৩,০০০ অমসুং ন্যু য়োর্কর ১৬,০০০ শিরবা য়াই হায়রি। মসিনা ন্যু য়োর্কতা করি ৱাহন্থোক পীরিবনো। চাওরাক্না ১৬,০০০ পারিবনি। শেংনা হায়রবদা মসিনা হায়রিবা অসিদি ন্যু য়োর্ক অসিদি অপুনবা অশিবা মশীং অদুগী চাওরাক্না চাদা ১৬ খক্তনি হায়বিনি।



হৌজিক ন্যু য়োর্কনা মশীং অসুক য়াম্না ৱাংলক্লিবসি খঙবা ফাওবা ঙমদে হায়না ন্যু য়োর্ক গভর্ণরনা হায়খি।

অদুবু লৈবাক অসিগী লৈহৌরিবা অতৈ মফমশিংদা মসিনা করি হায়রিবনো, মসি সুপ্নগী ন্যু য়োর্কখক্তগী নৎতে। ন্যু য়োর্কতা মীওই ১৬,০০০ শিবা হায়বা মশীং অসি করিগুম্বা নখোয়না থজরবদি মসিনা পীরিবা ৱাহন্থোকতি ন্যু য়োর্কগী মপান্দা মীওই লিশিং–লিশিং শিগনি হায়বনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ন্যু য়োর্কতা মীওইশিং টেষ্ট তৌবগী থবক য়াম্না হেন্না ফজনা চত্থরি। পুন্না মীওই ২,২০,০০০ টেষ্ট তৌখ্রে। হৌজিক অনাবগী অপুনবা মশীং ৮৩,৭১২নি। মসিগী মনুংদা হৌজিক মীওই ১২,০০০ হোস্পিটাইজ তৌখ্রে। আই সি য়ুদা ৩,০০০ লৈরি।

ঙরাং এপ্রিল ১ ফাওবগী ওইনা ন্যু য়োর্কতা কোভিদ–১৯দগী মীওই ১৩৭৪ শিখ্রে।

# শিখ লাইশোন ঈশৈ শকপদা মমিং লৈরবা নিরমল সিংহ, পদ্মশ্রী কোভিদ–১৯ নাবদগী লৈখিদ্রে

*অমৃতশর, এপ্রিল, ০২(এজেন্সি)ঃ*
মশাগী চহী ৬২ শুরবা শিখ লাইশোন ঈশৈ শকপদা মমিং লৈরবা অমসুং পদ্মশ্রী ফংখ্রবা নিরমল সিংহ পঞ্জাবতা কোরোনাভাইরস নাবদগী ঙসি অয়ুক লৈখিদ্রে।

নিরমল সিংহ গোল্ডন টেম্পলদা হান্না হাজুরি রাগি ওইরম্বা মীওই অমনি অমসুং লৈবাক মীয়াম্না থাগৎনরবা আর্টিষ্ট অমনি। মহাক ঙসি অয়ুক পুং ৪.৩০ রোম তাবদা অমৃতশরদা লৈখিদবনি।

মহাক ঙরাংদগী ভেন্টিলেটর অমদা থম্লকখি। মহাক্কী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা অদু মাগী ব্রোনকায়েল এজমা লৈবা মরমদগী হেজ্ঞিনখি হায়না পঞ্জাবকী কোভিদ–১৯ রেস্পোন্সকী থবক পুরিবা সেনিয়ার ওফিসার কে বি এস সিধুনা হায়খি।



নিরমল সিংহনা মপান লৈবাক্তা চৎপা খেঙচৎ অমদগী হন্দক্তা হল্লকখি অমসুং শ্বর হোনবা নুংঙাইতবনচিংবা লাইওং কয়াদগী হোস্পিটালদা পুখৎখি। ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না মহাক্না মপান লৈবাক্তগী হল্লকখিবা মতুংদা দিল্লি, চান্দিগড় অমসুং অতৈ মফম খরদা লাইনিংগী ওইবা অচৌবা মীফম পাংথোকখি।


মহাক্কী ইমুং–মনুং অমসুং মরি–মতাশিংগা লোয়ননা মার্চ ১৯দা চান্দিগড়দা য়ুম অমদা মহাক্না কিরতন অমসু পাংথোকখি। থৌরমশিং অদুদা মহাক্না লোয়নখিবা মহাক্কী মচানুপী ২, মচানুপা, লোনবী নুপী, দ্রাইভর অমা অমসুং অতোপ্পা মীওই ৬ হোস্পিটাল অমদা আইসোলেট তৌদুনা থমখ্রে।

২০০৯দা পদ্মশ্রী ফংখিবা নিরমল সিংহবু সিখকী অশেংবা লাইরিক 'গুরু গ্রন্থ সাহিব'কী গুরবানিদা রাগ ৩১মক লোয়না খঙবগীদমক শকখঙনৈ। মহাক্না পঞ্জাবকী ৫শুবা কোরোনাভাইরসতা শিখিবা মীওইনি। ষ্টেট অসিদা মীওই ৪৬ কোরোনাভাইরসতা নাখ্রে।

# গৌতম গম্ভিরনা পি এম কেয়ার্স ফন্দদা চহী ২গী তলব কৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ০২(এজেন্সি)ঃ*
বি জে পি এম পি অমসুং হান্নগী ক্রিকেটর গৌতম গম্ভিরনা কোভিদ–১৯ পান্দেমিক থেংননবা লিংখৎখিবা পি এম কেয়ারস ফন্দদা মহাক্কী চহী ২গী তলব কৎলগনি হায়না ঙসি লাওথোকখ্রে।

ইষ্ট দিল্লি পার্লিয়ামেন্টরিয়ান অসিনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা মীওই ১,০০০রোম নাহনখ্রবা অমসুং ৫০না হাৎখ্রবা ভাইরেল ইনফেক্সন অসিগী মায়োক্তা গভর্ণমেন্টকী লান্থেংদা পুকচেল চাওনা কৎনবা মীয়ামদসু আপিল তৌখি।



মখোয়গী লৈবাক্না মখোয়গীদমক করি তৌবা ঙম্মি হায়না মীয়াম্না হংনরি। ৱাহং অদুদি নখোয়না নখোয়গী লৈবাক্কীদমক করি তৌবা ঙম্মি হায়বদুনি। ঐনা পি এম কেয়ারস ফন্দদা ঐগী চহী ২গী তলব কৎলে। নখোয়সু মাঙলোমদা থোক্লকউ হায়না গৌতম গম্ভিরনা ইখি।

কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা গভর্ণমেন্টনা থেংনরিবা অসিদা মসি বি জে পিগী লুচিংবা অদুনা কৎলকপা ২শুবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা লোকসভাদা ইষ্ট দিল্লিগী মহুৎ শিল্লিবা মিষ্টর গম্ভিরনা দিল্লি গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা কোরোনাভাইরস অনাবশিং লায়েংনবা ইক্যুপমেন্টকীদমক মাগী এম পি লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট (এম পি এল এ দি) ফন্দদগী লুপা লাক্ষ ৫০ কৎখ্রে।

# দিল্লি পুলিসনা অঙাং উন্নরগদবী নুপী ৪০ হোস্পিটাল য়ৌনবা তেংবাংখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ০২(এজেন্সি)ঃ*
হৌজিক চত্থরিবা লোকদাউন মরক্তা অঙাং উন্নরমদাই মতম য়ৌশিল্লক্লবী মীরোনবী নুপী ৪০বু হোস্পিটাল ফাওবা শোয়দ–ঙামদনা দিল্লি পুলিসনা পুদুনা তেংবাংখ্রে।

মফম অসিদা পেট্রোলিং চৎলিবা পি সি আর ভেনশিংনা নুপী ৪০ অদুগী মনুংদগী ২১ সফদর্জং হোস্পিটালদা, অদুগা ৭ অমনা সঞ্জয় গান্ধী হোস্পিটালদা পুরকখ্রে।

মসিগী মমাঙদা মথৌ তাবা মীওইশিংদা দিল্লি পুলিসনা ইমজেন্সি হেল্পলাইন নম্বর অমসু পীখি। দিল্লি পুলিসনা কোরোনাভাইরস লোকদাউন মনুংদা মীওই লাক্ষ ১.৫ হেনবদা চিঞ্জাক পীখ্রে। কনাগুম্বনা অথু–অকাইগী মথৌ তাবা নৎত্রগা অৱাবা অমা মায়োক্লরবদি ঐখোয়গী হেল্পলাইন নম্বর ১১২ নৎত্রগা ২৩৪৬৯৫২৬ তা তৌরকউ হায়না দিল্লি পুলিসকী পি আর ও এম এস রন্ধৱারনা হায়খি।

# কোরোনাভাইরস হোটস্পোটস ২০, হোটস্পোট ওইরকপা য়াবা মফম ২২ মশক খঙদোক্লে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ০২(এজেন্সি)ঃ*
য়ুনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা মিনিষ্ট্রি অসিনা লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯গী হৌজিক হৌজিক হোটস্পোট ওইরিবা ২০ অমসুং হোটস্পোট ওইরকপা য়াবা ২২ মশক খঙদোক্লে, লোয়ননা পাকশন্না শন্দোকপা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন থৌদোকমক লৈত্রবসু লাক্সিনবগী থৌরাংশিংদা য়াম্লবা হ্যুমেন রিছোর্স মথৌ তাগনি হায়খ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মসি লায়না অসিগী মেনেজমেন্টকীদমক মোবিলাইজ তৌগদবা মেনপৱার অমসুং মখোয়না তৌগদবা এসাইনমেন্টশিং অমসুং ট্রেনিংগী মথৌতাবশিংগী মতাংদা ষ্টেটশিংদা গাইদেন্স পীনবা কোভিদ–১৯গী হ্যুমেন রিছোর্স মেনেজমেন্টকী মতাংদা এদভাইজরি অমদা হায়খিবনি।

ট্রান্সমিসনগী সাইকল অদু থুগাইনবগী লাক্সিন্নবা খোঙথাংশিং অমসুং শোকহল্লবশিং অদুগী ক্লিনিকেল মেনেজমেন্টতা য়াম্না পাকচাওরবা হ্যুমেন রিছোর্স মথৌ তাগনি হায়না মিনিষ্ট্রিগী দোকুমেন্ট অদুদা হায়খি।

এদভাইজরি অদুনা আইদেন্টিফাই তৌরিবা হ্যুমেন রিছোর্স অদু মিনিষ্ট্রি অসিনা পুথোকপা ওনলাইন ট্রেনিং প্রোগ্রামশিং শিজিন্নদুনা ওনলাইনদা ট্রেনিং পীবা মথৌ তাই হায়খি।

# এয়ার ইন্দিয়ানা ফোরেনরশিং লন্দনদা পুথোকখিনবা স্পিসিয়েল ফ্লাইটশিং পাইগদৌরি



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ০২(এজেন্সি)ঃ*
কোরোনাভাইরস শন্দোকপা থেংননবা লোকদাউন অসিগী মরক্তা লৈবাক অসিদা লমদনদুনা লৈরিবা ফোরেনরশিং পুথোকখিনবা এয়ার ইন্দিয়ানা এপ্রিল ৪ অমসুং এপ্রিল ৭কী মরক্তা লন্দনদা স্পিসিয়েল ফ্লাইট কয়ামরুম পাইনবগী থৌরাং তৌরি হায়না সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এপ্রিল ১৪ ফাওবা ইন্দিয়া নুমিৎ ২১নিগী লোকদাউনদা লৈরি অমসুং হায়রিবা মতম অসিগীদমক দোমেষ্টিক অমসুং ইন্টরনেসনেল কম্মর্সিয়েল পেসেঞ্জর ফ্লাইট পূন্নমক লেপখ্রে। অদুম ওইনমক হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা কারগো ফ্লাইটশিং অমসুং এভিয়েসন রেগুলেটর দি জি সি এনা অখন্ননা অয়াবা পীবা ফ্লাইটশিং পাইবা য়াই।

সেনিয়ার এয়ার ইন্দিয়া ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি, নেসনেল কেরিয়র অসিনা এপ্রিল ৪দগী এপ্রিল ৭ ফাওবগী মরক্তা দিল্লি–লন্দন রুটতা ফ্লাইট ৪ পাইগনি।

নেসনেল কেরিয়ার অসিনা এপ্রিল ৫ অমসুং এপ্রিল ৭তসু মুম্বাই–লন্দনদা ফ্লাইটশিং পাইগনি।

ইন্দিয়াদগী লন্দনদা পাইবা ফ্লাইটশিং অসিনা হল্লকপদা ইন্দিয়ানশিং পুরক্কদ্রা হায়না হংবদা সেনিয়ার এয়ার ইন্দিয়া ওফিসিয়েল অমনা মদু তৌরদবা য়াই হায়খি।

হৌজিক ফাওবগী প্লান অসিগী মতুং ইন্না ফ্লাইটশিং অসি লন্দনদগী হাংনা হল্লক্কনি হায়খি।

# স্পেনদা শিবা ১০,০০০ য়ৌখ্রে

*মাদ্রিদ, এপ্রিল, ০২(এজেন্সি)ঃ*
স্পেনদা কোরোনাভাইরসনা নাবা মশীং ১১০,০০০ হেনখিবগা লোয়ননা পুং ২৪গী মনুংদা রেকোর্দ অমা ওইনা কোভিদ–১৯ নাবদগী মীওই ৯৫০ শিবদগী ঙসি শগোলশেল নুমিৎ ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস নাবদগী শিবা মী মশীং ১০,০০০ হেনখ্রে। মীওই ১০,০০৩ শিদুনা স্পেননা ইটালিগী মথংদা মালেমগী ২শুবা খ্বাইদগী হেন্না মী শিবা লৈবাক ওইখ্রে।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-425**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 8 | | 1 | 3 | | | | 7 |
| 9 | 7 | | | 4 | | 5 | | |
| 4 | | | 9 | | | | 8 | |
| | | 9 | | 8 | | | 7 | |
| | | | 5 | | 7 | | 2 | |
| | 1 | | 4 | | | | 3 | |
| 7 | | | | | 9 | 4 | | |
| | 3 | 4 | | | | | 9 | |
| | 9 | 5 | 7 | | | | | 8 |

**সনা–সুদোকু – ৪২৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 8 | 1 | 5 | 7 | 4 | 2 | 9 |
| 7 | 1 | 4 | 2 | 6 | 9 | 8 | 3 | 5 |
| 2 | 5 | 9 | 3 | 4 | 8 | 6 | 7 | 1 |
| 8 | 3 | 6 | 5 | 9 | 4 | 2 | 1 | 7 |
| 9 | 4 | 2 | 7 | 1 | 3 | 5 | 6 | 8 |
| 1 | 7 | 5 | 8 | 2 | 6 | 9 | 4 | 3 |
| 6 | 9 | 7 | 4 | 8 | 1 | 3 | 5 | 2 |
| 4 | 2 | 1 | 9 | 3 | 5 | 7 | 8 | 6 |
| 5 | 8 | 3 | 6 | 7 | 2 | 1 | 9 | 4 |